৩০শুবা লংথবাল কেন্দ্র ইন্টর ক্লবস ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮

# এল ৱাই এস এস য়ুনা এন এস এফ সী অমদি এম সীনা সাইদোলবু মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৯ (ঐচ এন এস)ঃ চজিং ইনাৎ কনবা লূপ (সী ঐচ আই এ এল) না শীন্দুনা লিলোং চজিংদা লৈবা রিজনেল কোলেজকী শান্নবুংদা চত্থরিবা ৩০শুবা লংথবাল কেন্দ্র ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা লীগ রাউন্দগী মেচশিংদা এল ৱাই এস এস য়ু লিলোং বজারনা এন এস এফ সী নরান কোঞ্জিন ময়ায় লৈকায় অমদি এম সী লিলোং চজিং অৱাং লৈকায়না সাইদোল লিলোং চজিং চীংখোঙ লৈকায়বু মায়থীবা পীখ্রে।

টিম ১১না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ অনী থোক্লা খাইদোক্তুনা পাঙথোক্লিবা ৩০শুবা লংথবাল কেন্দ্র ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী গ্রুপ এগী লীগ রুন্দগী ১২শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ২.০৫ তাবগী অহানবা গ্রাউন্দদা এম সী লিলোং চজিং অৱাং লৈকায় অমসুং সাইদোল লিলোং চজিং চীংখোঙ লৈকায় লম্বা তৌনখি।

মেচ অদু টিম অনীনা লোইবা ফাওবদা অকনবা লম্বা তৌনদুনা বোল কাওনখি। অহানবা হাফকী ১৬শুবা মিনটতা এম সীগী জর্সি নম্বর ৫ ৱাই য়োহেনবনা সাইদোলগী মায়কৈদা ফাওল তৌরুবদগী রেফ্রিনা য়েলো কার্দ বুক তৌখি। মেচ অদু মায় পাক্ল বগীদমক টিম অনীনা অকনবা লম্বা তৌনদুনা য়াঙনা শান্নরকপা হৌনরকখি। অদুবু অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা গোল অমত্তা চন্নদনা মেচ অদু ০-০দা লৈনখি।

অনীশুবা হাফকী অঙনবা মতম মেচকী ৩৮শুবা মিনটতা এম সীগী জর্সি নম্বর ১৯ এন মাইমুনা মেচ অদুগী অহানবা গোল চল্লগা মহাক্কী টিমগী গোল একাউন্ট হাংদোকখি। সাইদোলগী মায়কৈদগী এম সীনা মাঙজিল থানা চৎলিবা গোল অদু হন্দে দাক্লবা হোৎনরকখি। অদুবু মেচ অদুগী অরোইবা মীৎকুপ লোইশিল্লকপা ফাওবদা সাইদোলগী মায়কৈদগী এম সীগী গোল অদু হন্দে দাকপা ঙমদনা মেচ অদু এম সীনা গোল ১-০দা মায় পাকখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী গ্রুপ এগী লীগ রাউন্দগী ১৪শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ৩.১৫ তাবগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা এল ৱাই এস এস য়ু লিলোং বজার অমসুং এন এস এফ সী নরান কোঞ্জিন ময়ায় লৈকায় শান্নখি। মেচ অদুগী অহানবা মীৎকুপ্তুগী হৌনা টিম অনীনা মায় পাক্লবগীদমক অকনবা লম্বা তৌনদুনা ফজনা শান্নরকখি।

অহানবা হাফকী তঙ্খাই চল্লকপা মীৎকুপ ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী গোল অমত্তা চন্নদনা লৈনখি। টিম অনীগী মায়কৈদগী গোল চন্ননবা য়াঙনা শান্নরক্লবসু লম্বা চানা শান্নখিবনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা গোল ওন্থোকপা ঙম্নদনা মেচ অদু গোল ০-০দা লৈনখি।

অনীশুবা হাফকী ৪০শুবা মিনটতা এল ৱাই এস এস য়ুগী জর্সি নম্বর ২১ দব্লিয়ু অজিৎনা মেচ অদুগী অহানবা গোল চল্লগা মহাক্কী টিমগী গোল একাউন্ট হাংদোকপদা নত্তনা মেচ অদু এল ৱাই এস এস য়ুনা গোল ১-০দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি। এন এস এফ সীগী মায়কৈদগী এল ৱাই এস এস য়ুনা মাঙজিল থারিবা অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু হন্দোক্লবা হোৎনরবসু মেচকী ৪৬শুবা মিনটতা অমুক এল ৱাই এস এস য়ুগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ৭ এ বোরিসনা মহাক্কী টিমগী অনীশুবা গোল চনশিন্দুনা মেচ অদু লোইশিল্লকপদা এল ৱাই এস এস য়ুনা গোল ২-০দা মায় পাকখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী গ্রুপ বিগী লীগ রাউন্দগী ১৫শুবা মেচ ওইনা হয়েং নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা এল কে সী সী লংথবাল খৌপুম অমসুং এন এস য়ু নরান কোঞ্জিন মমাঙ লৈকায় শান্নগনি হায়রি।

অহুমশুবা টি সুবোল মেমোরিএল টি-২০ ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৯

# সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা ৱাই দব্লিয়ু সী লংথবালবু রন ৭২দা মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৯ (ঐচএন এস)ঃ মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিএসন (এম ভি সী এ) না শীন্দুনা লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়ম অমসুং লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা চত্থরিবা অহুমশুবা টি সুবোল মেমোরিএল টি-২০ ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট (ভি সী টি) ২০১৯গী লীগ রাউন্দগী ঙসি শান্নখিবা মেচতা সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা ৱাই দব্লিয়ু সী লংথবালবু রন ৭২দা মায়থীবা পীখ্রে।

টিম ৭না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ অনী থোক্লা খাইদোক্তুনা পাঙথোক্লিবা অহুমশুবা টি সুবোল মেমোরিএল টি-২০ ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট (ভি সী টি) ২০১৯গী লীগ রাউন্দগী ৭শুবা মেচ ওইনা ঙসি লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা গ্রুপ এগী সাইক্লোন থাংমৈবন্দ অমসুং ৱাই দব্লিয়ু সী লংথবাল লম্বা তৌনখি।

মেচ অদু সাইক্লোননা টোস ঙমদুনা বেট্টিং তৌখি। অদুগা ৱাই দব্লিয়ু সীনা বোলিং তৌখি। অহানবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা ওভর ২০দা ৱিকেট ৩ তুরগা রন ১৭২ লৌখি। সাইক্লোনগী থোইথোইনা বোল ৪৯দা রন ৯২, সসিকুমারনা বোল ৩৮দা রন ৫০ অমদি রোহেন্দ্রোনা বোল ৩০দা রন ২৭ লৌখি। অহানবা ইন্নিংসতা বোলিং তৌখিবা ৱাই দব্লিয়ু সীগী কুমার অমদি গোজেন্দ্রোনা ৱিকেট অমমম লৌখি।

অনীশুবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা ৱাই দব্লিয়ু সী লংথবালনা ওভর ২০দা ৱিকেট ৭ তুরগা রন ১০০ খক লৌদুনা মেচ অদু সাইক্লোননা রন ৭২দা মায় পাকখি। ৱাই দব্লিয়ু সীগী প্রিয়োকুমারনা বোল ২৬তা রন ২৯, প্রেমচন্দ্রনা বোল ১৫দা রন ১৮ অমদি গোজেন্দ্রোনা বোল ২২দা রন ১৩ লৌখি। অনীশুবা ইন্নিংসতা বোলিং তৌখিবা সাইক্লোনগী টিকেননা ৱিকেট অহুম অমদি সসিকুমার, অরুন, বিকোম অমসুং সুরজিৎনা ৱিকেট অমমম লৌখি।

ঙসি শান্নখিবা মেচ অদুদা বোল ৪৯দা রন ৯২ লৌদুনা সাইক্লোনবু মায় পাকপদা চাউনা মতেং পাংখিবা থোইথোইনা মেন ওফ দি মেচ তাখি। টুর্নামেন্ট অসিগী লীগ রাউন্দগী মখা চত্থরকপা মেচ ওইনা হয়েং অয়ূক লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা গ্রুপ বিগী মোদেল ক্লব অমসুং দি এস য়ু শান্নগনি অমদি লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা গ্রুপ বিগী চেম্প অমদি এল সী সী সী শান্নগনি।

৬৩শুবা সার চূড়াচান্দ সিংহ মেমোরিএল লীগ কম নোক আউট ওপন কাং টুর্নামেন্ট

# এন বি কে এ-এনা কে কে সী ও কাংখূৎপু য়াম্না লাকচনা মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৯ (ঐচএন এস)ঃ মণিপুর কাং এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা শিংজমৈ কাং এসোসিএসন্না শিন্দুনা শিংজমৈগী কাংশঙদা পাঙথোক্লিবা ৬৩শুবা সার চূড়াচান্দ সিংহ (কে সী এস আই- সী বি ঈ) মেমোরিএল লীগ কম নোক আউট ওপন কাং টুর্নামেন্ট ২০১৮গী লীগ রাউন্দগী ঙসি শান্নখিবা মেচতা এন বি কে এ-এনা কে কে সী ও কাংখূৎপু য়াম্না লাকচনা মায়থীবা পীখ্রে।

কাংখূৎ তরানা শরুক য়াদুনা কাঙলূপ অনী থোক্লা খাইদোক্তুনা পাঙথোক্লিবা ৬৩শুবা সার চূড়াচান্দ সিংহ মেমোরিএল লীগ কম নোক আউট কাং টুর্নামেন্ট অসিগী লীগ রাউন্দগী ২০শুবা মেচ ওইনা ঙসি অয়ূক গ্রুপ বি কে কে সী ও কৈশামথোং অমসুং এন বি কে এ-এ নম্বোল বমদিয়ার লম্বা তৌনখি।

মেচ অদু এন বি কে এ-এ নম্বোল বমদিয়র কাংখূৎনা টোস ঙমদুনা কাং কাপ্পা হৌখি অদুগা কে কে সী ও কৈশামথোং কাংখূৎনা মায়কৈ খনখি। মেচ অদুগী অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা এন বি কে এ-এনা পাঞ্জল ১০-৫দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি। অনীশুবা হাফ হৌরকপদগী হৌনা কে কে সী ওগী শান্নরোয়শিংনা মায় পাক্লবা কন্না হোৎনরবসু মেচ অদু লোইশিল্ল-কপদা এন বি কে এ-এ নম্বোল বমদিয়র কাংখূৎনা কে কে সী ও কৈশামথোং কাংখূৎপু পাঞ্জল ২৪-৯দা য়াম্না লাকচনা মায়থীবা পীখি।

# খুন্দোংবম লোয়াঙম্বনা গোল্ড মেদল লৌখ্রে




ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৯ (ঐচএন এস)ঃ মহারাষ্ট্রগী পুনেদা লৈবা বালেৱাদি স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা ঙসিদগী থা অসিগী ২০ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা অনীশুবা এদিসন খেলো ইন্দিয়া য়ুথ গেমস ২০১৯গী হৌদোকপা নুমিৎতা মণিপুরগী রেষ্টলিং টিমদা শরুক য়ারিবা খুন্দোংবম লোয়াঙম্বনা কেজি ৫১গী কেটেগোরি (গ্রেকো রোমান্দ) দা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখ্রে।

তোঙান তোঙানবা ইভেন্টতা ষ্টেট কয়াদগী নুপা অমসুং নুপী শান্নরোয় কয়ানা শরুক য়াদুনা চাংদম্নরিবা অনীশুবা এদিসনগী খেলো ইন্দিয়া য়ুথ গেমস ২০১৯দা মণিপুরদগী দিসিপ্লিন ৯ (আর্চরি, এথলেটিক্স, বোক্সিং, ফুটবোল, জুদো, খো-খো, স্বিমিং, রেষ্টলিং অমসুং ৱেটলিফটিং) না গেমস অসিদা শরুক য়ারি।

অনীশুবা এদিসনগী খেলো ইন্দিয়া য়ুথ গেমস ২০১৯দা মণিপুরগী রেষ্টলর খুন্দোংবম লোয়াঙম্বনা কেজি ৫১ (গ্রেকো রোমান) কেটেগোরিদা দেল্লিগী ধ্যানেশ্বর দিবু মায়থীবা পীরম্লগা গোল্ড লৌখিবনি। অদুগা ধ্যানেশ্বরনা সিল অমসুং হরিয়ানাগী অমনদিপ শর্ম্মনা কেটেগোরি অসিগী ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

অনীশুবা খেলো ইন্দিয়া য়ুথ গেমস ২০১৯ অসিদা মণিপুরগী টিমদা য়াস দিপার্টমেন্টকী রেষ্টলিং কোচ এম মুহিন্দ্রো অমদি সাইগী রেষ্টলিং কোচ ৱাই লুখোই মঙাং অমসুং য়ুথ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টস দিপার্টমেন্টকী এসিষ্টেন্ট দিরেক্টর টি থৌবসু শরুক য়ারি। ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা ইভেন্টশিং লোইশিনখিবগা লোয়ননা দেল্লিনা গোল্ড ৫, সিলভর ২, ব্রোঞ্জ ২ ফংদুনা অহানবা, মহারাষ্ট্রনা গোল্ড ৪, সিলভর ৩, ব্রোঞ্জ ৩ ফংলগা অনীশুবা, হরিয়ানানা গোল্ড ২, সিলভর ২, ব্রোঞ্জ ৫ ফংলগা অহুমশুবা অমদি মণিপুরনা গোল্ড ১ ফংলগা তরুকশুবা পোজিসন্দা লৈরি।

পনবা য়াবদি, খুন্দোংবম লোয়াঙম্বা য়াইহিরিপোক পোইরৌখোংজিন লিন্দা মখোংদগী কে ঐচ চন্দ্র অমদি কে ঐচ থোইবীগী মচানুপানি। মহাক হৌজিক হৌজিক সাই এস এ জিদা সেনিয়র সাই রেষ্টলিং কোচ ওইরিবা ৱাই লুখোই অমদি এসিষ্টেন্ট সাই কোচ এম রমনি চনুগী লিচিং মখাদা লৈরিবনি।

# ফুটবোল টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৯ (ঐচএন এস)ঃ য়ূম্নাম হুইদ্রোম মখা লৈকায়দা লৈবা য়ঙ প্রোগ্রেসিব ক্লবনা শীন্দুনা থা অসিগী ২০দগী অহানবা চহী ১৫ মখাগী নুপামচাগী সিক্স মেন ভিলেজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ ক্লব অসিগী শান্নবুংদা পাঙথোক্লগনি। ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিদা শান্নববু থৱায় য়াওবা মণিপুর মীয়ামনা শরুক য়াবা য়াগনি। টুর্নামেন্ট অসিগী ফোর্মনা য়ূম্নাম হুইদ্রোমগী এ কে ফার্মাসি, থোংখোং লক্সমি বজারদগী ফংগনি। ফোর্মগী মমলনা লুপা ১৫০০নি। ৱিন্নরগী ওইবা টিমদা শেলগী মনা লুপা লিশীং ১০ অমসুং অনীশুবা পোজিসন তাবা টিমদা শেলগী মনা লুপা লিশীং ৭ পীগনি হায়না দি য়ঙ প্রোগ্রেসিব ক্লব য়ূম্নাম হুইদ্রোম লৈকায়গী স্পোর্টস সেক্রেটরি হুইদ্রোম খোগেন্দ্রোনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

# ষ্টেট লেভেল মেন্স বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৯ (ঐচএন এস)ঃ ইরোং ষ্টুদেন্টস এন্দ সোসল ৱেলফেয়র ক্লব (আই এস এস দব্লিয়ু সী) না শীন্দুনা থা অসিগী ১০দগী ১৪ ফাওবা ওল মণিপুর বোল্লিবোল এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা ক্লব অসিগী শান্নবুংদা অনীশুবা ষ্টেট লেভেল মেন্স ওপন বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ পাঙথোক্লগনি। মরম অসিনা টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ানীংবা ক্লব অমদি এসোসিএসনশিংনা শরুক য়াবা য়াগনি। টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিন্নরদা শেলগী মনা লুপা লিশীং ১৫, রন্নর্স-অপতা লুপা লিশীং ১০ অমদি বেষ্ট প্লেয়র অমসুং বেষ্ট দিফেন্দরদা লুপা ৫০০/৫০০ পীগনি হায়রি।

# সঞ্জেনবম এফ সীনা সৈজাং এফ সীবু মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৯ (ঐচএন এস)ঃ ফুটবোল ক্লব সেক্তানা শীন্দুনা ক্লব অসিগী শান্নবুংদা মমাঙ চহীগী দিসেম্বর ২৯দগী হৌদুনা চত্থরক্লিবা মঙাশুবা লমলাই, খুন্দ্রাকপম কেন্দ্র অমসুং ইনভাইটি ভিলেজ ৱাইজ মেন্স ওপন নাইন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট (সেক্তা ত্রোফি) ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা লীগ রাউন্দগী মেচতা সঞ্জেনবম এফ সীনা সৈজাং এফ সীবু মায়থীবা পীখ্রে।

টিম ১৭না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ ৪ থোক্লা খাইদোক্তুনা চত্থরিবা মঙাশুবা লমলাই, খুন্দ্রাকপম কেন্দ্র অমসুং ইনভাইটি ভিলেজ ৱাইজ মেন্স ওপন নাইন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট (সেক্তা ত্রোফি) ২০১৮গী লীগ রাউন্দগী ১৬শুবা মেচ ওইনা ঙসি অহানবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ বিগী গাংপিজাং এফ সী অমসুং এল এফ সী লংথবাল শান্নগদবা মেচ অদু জেনরেল ষ্ট্রাইক্না মরম ওইদুনা য়েথোকখ্রে।

সেক্তা ত্রোফি অসিগী লীগ রাউন্দগী ১৭শুবা মেচ ওইনা ঙসি অনীশুবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ সীগী সৈজাং এফ সী অমসুং সঞ্জেনবম এফ সী শান্নখিবা মেচ অদু সঞ্জেনবম এফ সীনা সৈজাং এফ সীবু য়াম্না লাকচনা গোল ৬-০দা মায়থীবা পীখি। সঞ্জেনবম এফ সীগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু জর্সি নম্বর ৭না মেচকী ৩৯শুবা, ৪০শুবা অমদি ৪৬শুবা মিনটতা পাঞ্জল ৩, জর্সি নম্বর ১৫, জর্সি নম্বর ৩ অমদি জর্সি নম্বর ১০না মেচকী ৩২শুবা, ৩৪শুবা অমসুং ৪২শুবা মিনটতা গোল অমমম চনখি।

HL-B/4943/25/10-22/12 (alt.)

LOAN AVAILABLE

(Tiles, Granites, Marbles, Grazing, Housing Loan etc.)

**Smart City** ওইনবগী পান্দমদা মণিপুরগী মফম খুদিংমক্কী মীওইশিংনা **Smart Home** ওইহন্নবগী পান্দমদা **L.G. Construction & Material Pvt. Ltd.** না **Free Home Delivery Service** ওইনা **Tiles, Granites, Marbles, Grazing** অমসুং **Housing Loan (Upto 20 lakhs)** লৌবগী খুদোংচাবা পীজরি।

**EMPLOYMENT NEWS :-**

**Title Mistry - 10 Nos., Brick Mistry - 5 Nos., Jugalli - 15 Nos., Steel, Alluminium, Iron Solding Mistry - 5+5+5 Nos., Car Driver - 5 Nos., Tata Driver - 10 Nos.**

**L.G. Construction & Material Pvt. Ltd.,** Regd.No. IW/669(s) of 2018
Khagempalli Huidrom Leikai, Imphal West Manipur, L.G. Motrors Building.
Braches at :- Sekmai Koujengleima, Samurou near Machu Hall, Kakching Irum Lamdong, Thoubal Okram, Nambol Phoijing Lamban, Moirang Patlou. Contact No. 8787727402



HL-B/4987/15nov. to 13jan (alt.)



HL-B/5028/25/11-20/1



HL-P/2795/22Dec.to29 jan.

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com